ৱারী ককনাউ

# নুংদদি ফাওনৈ

## —নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

*লৈকায়গী* থৌদোক ৱাথোক অমা থোকপদা তাইবোহলগী ৱা তাদবা য়াদে। তাইবোহল ৱা ঙাঙবা য়াম্না হৈ, খৎনা চৈনবগী ৱা তাইশিন্নবা, কৈনোমা তৌসি হায়বদা ৱাখল পুথোকপা ওন্থোক্লা হৈখ্রজাৎনি। কনাগী নুপী চেনবগী, হায়দোকপা চৎপা মা নেক্করিবনি, হায়দোকপা লাকপগীসু মা ফমহল্লিবনি। ৱাগী ৱাপা চানা ৱাপু খঙনা ঙাঙবা হৈবগীদমক থোইদোক্ল া লৈকায়দা মমিং চৎলি তাইবোহল।

তাইবোহল অহল ওইরে, চাওরাক্লা চহী মরিফু ময়াদা লৈরম্মনি। মশা তিক তিক লাওরি। থোইদোক্লা অহলনি হায়বগী শোন্থবা লৈতে। লৈকায়গী উৎসব, লুহোং খোঙদোংবা, সোরাট, খুদিংমক মমাঙদা ফম্মী। হৌজিক্তি লৈকায়গী অহলসু কয়া লৈশিল্লক্তবনা থৌরম হেক খুদিংদা তাইবোহল য়াওদবা লৈতে। মশা ফনা ঙমদ্রবসু অহল মশীং শুদে হায়দনা নমদনা য়াওহল্লি। মাগী ৱা য়াম চৎলি। তাইবোহলগী মচাসি মরিনি। নুপা অহুম, নুপী অমা। নুপা অনীগা মচানুপীগা ময়ূম পানলে। মচানুপা অতোনবদুদং ঙাইরে ময়ূম পান্দবা, পানবদি নহান্না য়ারবনি, অদুবু হৌজিক্কানগী মী নত্তে। নুপীগা কোয়বা লাংবগী ঈ-পাউ তাদে। মপানে মমানে, মনে অমা পুন্না চাই, মচানুপা অহলগা য়াইমগদি তোঙান চাখ্রে। মখোয় অদুম কা হেন্না য়াইফবমক নৎত্রসু মচিঞ্জাক চাজবা হায়দু ওই। থবক মচা অমমম তৌজে, তোলোব চাং নাইনা ফংজে। মাসু পুন্না মরিনি, নিঙোলগীগা থারদি তরুকনি। অয়াম্বনা লোইনা চাওনরে। মশুনুপা অহলদুদি হন্দক মেত্রিক থাদুনা পাস তৌরগা ক্লাস এলেভেন তম্লিবনি। মচানুপা অতোনবা মাগা চামিন্নরিবদুমদি থবকসু তৌদে, অতোন অতানি হায়না খরা তোনান্না য়োকপনা থবকসু কয়া শুনিংদে। অদুনা মখোয়না খরা শোন্থরে হায়তারে। ইমুংদুদা চাকখুম অহুম থোকপদু, মখোয়গী চাকখুমদি থাও ঙৌবগী মখোলসি কয়া তাদে, কাংশোইগুম্বা, অচম্বা থোংবা পাম্বগীরাদি খঙদে। মচানুপা অতোনবদুসু থোইদোক্লা চিলহাওবুদি থিদে, মাগী হায়বু মবুক থন্না চাজনিংবদু মবুক থনফাত্তনা তোকপা সিনি নুংঙাইত্রিবা। মচানুপা অতোনবদু নুমিৎ নীনি হুমনি শুরে মশা ঙমদে হায়দুনা ফমুংদগী হেক্তে দাক্তবা, ডাক্তর য়েংদে। মপা হনুবা তাইবোহলনবু কদাইদগী ডাক্তর কৌদুনা লায়েংবা ঙমদোইনো। মখূৎতা শেলগা পংপাই পায়বসু নত্তে। মানা পায়রিবা হায়বু লৈকায়গী দেব-কর্ম্ম খরা চৎলুরগা মমাঙ ফম্বা অহলশিংদা শেল খরা থাবদুদা খরা ফংজবদু নত্তনা মানবু কাইদগী শেল তাল্লুনি। অদুনসু ওইবা য়াই, মাগী চাকখুমদা থাও ঙৌবা মখোল তাদ্রিদু।

ঙসি অয়ুক্তি মচা নুপা অহলনে, য়াইমনে, মাঙ্গোলদা ফমদুনা মীটিং তৌরি। খন্নরিবা এজেন্দাদি অতোনবনা নাবগী ডাক্তর য়েংবগী মতাংদনি। তাইবোহলনা হায়রিবনা,

“ননাওনুপাসি নুমিৎ হুমনি শুরে, কৈমতা চাদবা, ফমুংদগী হৌগৎতে, ডাক্তরদা চৎলগা অমুক্তা য়েংথোকসি। নখোয়না থবক শংদে হায়রসু শেল খরা খরা পুথোক্লরকউ, থংনবগী অঙাংশিং অমগা চৎমিন্নহনগে”

মচানুপা অহলসু, য়াইমসু মপানা হায়রিবদু অদুম তাই, থোইদোক্লা খুম্বা খোৎপা তৌদে। মাই মাই নুপীদু থোরক্লগা খন্নবদু য়াওরবকান্দুদতা মাই মাই নুপীদা য়েংলগা ঙাঙবা হৌরকপনি।

“ঐদি শেল অমত্তা খূৎতা লৈতে, কমাই তৌনি। তোলোবসু ফংদৌ ৱাৎলি” মচানুপা অহলনা ইরায় লায়খৈ খুমদোরকই, পাউখুমদু তাবদা মাই নুপী চিনবান খিতং লৈরগা নোকফেৎ তৌখি। তাইবোহলনা মচা অহলদা য়েংলগা মমাইদু য়াইমদা অমুক লৈশিল্লি, “য়াইমা নঙসু নয়াম্বগা চপ মান্নবরা?”

“পাবুং ঐগীদি মরুপকী হুবনে কৈনো তান অমা চাদৌ মান্দ্রে। কনাদগীনো খরা হংনরগা য়েংথোকপদি ফৈ” য়াইমনা খুম্বদা ঙাইরি। মমৌ অহলদুনা মাই নুপাদু, “তাচৌ ৱা অমত্তা”, হায়রগা হৈ শিংনা কৌশিনখি। য়াইমসু মাই নুপীসু পন্থরমদে তুমিন-তুমিন চঙনখি। ঙসাইমখৈ মাঙ্গোলদা ঙাঙনরিবদু তারিবা মচা অতোনবদু শোন্না হৌগৎলগা থোরকই। উপাই লৈতনা ফল্লিবা মপাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা, তপ্না মপাদা কোল্লগা, “পাবুং ঐ কৈসু তৌরোই, ডাক্তরদা য়েংদ্রসু য়ানি। হোরেনগদি মাইনা ফজরনিদা, কৈমতা খল্লুনু” মচাগী ৱাদু তাবদা তাইবোহল মমাই থাঙ্গৎলগা মচাগী লাইবক্তা নাল্লগা অইং-অশা য়েংলি। তাইবোহল খুইখ্রবা খজাই অদুদা মপী মরী মরী তাদুনা লৈরম্মী। অতোনবনা মপাগী মপীদু মখূৎনা তৈথোকই। ৱাদি হায়নদে, নুংদদি ফাওনৈ। তাইবোহল তপ্না হৌগৎলক্লে, “অইংবসিদা লৈরনু লাও ইমুংদা ইপা ইচাগী চমফুৎ ফুৎপীগে লাও” মপা মচা ইমুংদা চঙমিন্নখি। ইমুংদা চঙখ্রবা মপা মচাদু মাগী মাগী কাগী থোঙনাউদগী মতৌমা অনীনা য়েংহৌই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮


১। ‘অচাইবা লৈ’ করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২। ‘ইচে’ শৈরেং ইবদা মমিং লৈখিবা কবিদু কনানো?

৩। ঙসি ফাওবদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা নুপী অইবী কয়া শুরবগে ?

৪। ‘হয়ৱদন’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

#### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭ কী পাউখুমশিং

১। অশৈবগী নিত্যাইপোদ ২। বিরেন্দ্রজিৎ নাউরেম
৩। লাইরেল্লাকপম ইবেমহল ৪। আই আর বাবু ৫। অতোম্বাপু শর্ম্মা

#### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭ গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং

১। *সি ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার* *(৫)*
২। কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার (৫)

#### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৭ কী ৱিন্নর

ৱাহং পুম্নমক্কী পাউখুম চুম্না পীবিরকখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী ড্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

*সি ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার*

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

ওগষ্ট তাং ১৪, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০; হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

লমকোয় ৱারী

# রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

*(হান্নগী মখা চখজরকপা...)*

**য়ারসলোভকা শকখঙনবা ঃ** য়ারসলোভ অপীকপা, মহৌশাগী উমংনা কোয়শিনবা, লৈবাক মচা অমনি। মোস্কোদগী নোর্থ-ইষ্টলোমদা কিলোমিটর ২৫০ (মাইল ১৫৫) লাপ্না লৈ। শোক ১০১০ দা লৈবাক অসি শেমগৎখিবনি হায়। মমিং চৎলবা ভোলগা অমদি কোটোরোস তুরেল অনীনা কোয়না ঙাক শেল্লি । তুরেল অনীসি লৈরমদ্রগদি য়ারসলোভ শীংথানবা ৱাৎলমগনি। তুরেল অনী অসি লৈরম্বনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইদ অমা ওইবগী ফিদা ফংজবা ওইরমগনি হায়নিংঙি। অহানবদা, রুসিয়ান টাউন সেপ্পুরিদা, রুসিয়া লৈবাক্কী খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা সিটি ওইরম্মী। অঙনবা মতমদা খুন্দারম্বা মরয়া ট্রাইব অমদি পাগানশিংনা শাওম অমুবা অমবু লাই ওইনা লাৎতুনা মফম অসিদা খুন দারকই। মখোয়না লাই ওইনা লাৎচরিবা শাওম অসি “বিয়ারস ডেন” (Bear's Den) হায়না খঙনৈ । শাওম অসিগী মওং লৌদুনা মখোয়গী শকখঙ খুদম ইমল্লেমসু,মখুত্তা শীংজং পায়বা অরেপ্পা শাওম অমগী শক্তম্না ওইখি। তরামাথোই শুবা সেপ্পুরিদা, য়ারসলোভ অমদি রোসতোভ নিংথৌগী মচিন-মনাও অনীনা মফম অসিদা থুংলখি। নিংথৌ মচিন-মনাওবু মায়থিবা পীনবা হান্না খুন্দাদুনা লৈরম্বা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা মরয়াশিংনা, মখোয়না ফাজিন্দুনা থমলম্বা অঙাওবা, লাক্ল-ফানবা ঙমদ্রবা শাওমবু থাদোক্তুনা নিংথৌমচাশিংবু হাৎখিনবা হোৎনরম্মী। লৌশিং শিংবা নিংথৌমচা য়ারসলোভনা থৌনা ফনা মহাক্কী থাংশাংনা অঙাওবা শাওমবু হাৎখি অমদি মফম অদুদা খুন্দানবা টাউন অমা শেম্নবা মহাক্কী খোঙবুশিংদা থৌদাখি। মহাক্কী থৌদা মতুংইন্না, তুংইল্লকপা মীশিংনা মফম অসিদা টাউন অমা শেমদুনা খুন্দাখি। মহাক্লা শেমখিবা মফম অসিবু মহাক্কী মমিং লৌদুনা ‘য়ারসলোভ’ হায়না কৌখি। অসুম্না মখোয়গী লিজেন্দ ৱারী ওইনা লৈরম্বা থেংনরকখি। মফম অসিদা য়ারসলোভনা, য়াম্না মতীক-মগুণ লৈনা, চাওখৎলবা মফম অমা শেমগৎতুনা নুংঙাইনা পাল্লকখি। নুংগী ফুরা-দলান কয়া খিনগৎলকখি। ঙসিসু মফম অসিবু মীয়াম্না Spaso-Preobrazhensky Monastery ( Transfiguration of the Saviour ) অরীবা সিটি অমনি হায়না শীংথানরি । ৱারী অসি মখোয়না লীবিরকপদগী খঙলকপনি।

মফম অসিগী অরীবা মতমগী চর্চ্চশিং, ওর্থোডোক্স শ্রাইনশিং অমদি মোনাস্ট্রিজশিংনা, ভোলগা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লৈতেং ওইরি। লৈরিবা চর্চ্চশিং অসি মখল কয়াদা-বাপটিস্ট চর্চ্চ, লুথেরান চর্চ্চ, মোস্ক অমদি অরীবা মতমগী চর্চ্চ কয়ানা মরাঙ কাইনা লৈবা থেংনৈ। চর্চ্চশিং অসি থাপ্পা য়েংবদা, সনানা য়োমশিনবা মানবা মওং, নূংঙৌনা শাবা মানবা মওংদা, দিজাইন কয়াগা লোয়ননা ৱাংনা-চাউনা শাবা ঙাক্তনি, মশক নাইবা আর্কিটেকচরশিংগী হৈশিংবা উবা ঙমই। চর্চ্চকী মথক্তা খিল্লিবা কাংশিশিং অমুক উরুবদা অঙকপা পোকই। কাংশি খীংবা মতমদসু চুম্লগী খীংদে, অচৌবা উ বিম অমনা মী ময়াম চঙদুনা থাংলগা, থীন্দুনা য়ৈবগী মওংসু থেংনৈ। অচৌবা উনা য়ৈবসিনা অমুক খীংবদা খুল অমা লান্না তাবা ফংই। মসি অঙনবা মতমদা চৎনরম্বা অমনি। মহৈ-মশিং তমফমগী লমদসু য়াম্না মাঙজিল থানা চৎলি। তোঙানবা ট্রেদশিংগী তমফম অমদি য়ুনিভর্সিটিশিং মরাঙ কায়না লৈ হায়না ঐখোয়গী ইন্টরপৃটরশিংনা তাকপীরকখি। মখোয়গী মহৈ তম্ফমশিং অসি স্কুল অমদি কলেজ হায়বা অনী অসিনা লোইরে। হায়স্কুল নত্রগা হায়র সেকেন্দরি হায়বা অসিমদি মতমদুদা থেংনরকখিদে।

য়ারসলোভ য়ৌবগা ঐখোয়গী প্রোগ্রাম সেড্যুল্ড খঙঙি। খরা ঈংবা মফম ওইবনা কাদগী ঐখোয় অয়াম্বা হেন্দোক্লখিদে। মথংগী নুমিৎতা ঐখোয়গী শো লৈ অদুনা ঐখোয় ষ্টেজগা শকখঙ-মাইখঙনবা, মওং-মতৌ য়েংবা চৎনবা থৌরাং তৌই। য়ারসলোভতা লৈরম্বা অরীবা থিয়েটর অসি Volkov Theatre নি, শোক ১৭৫০ দা শাখিবনি। থিয়েটর অসিদনি ঐখোয়না পর্ফোমেন্স পীগদৌরিবসিসু । অতৈ ইন্টরনেস্নেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ময়াম য়াওরুরগা মফম অসিদা লাকপা মতমদা লৈরল্লিবা Volkov Theatre অসিগী মওং-মতৌ অমদি লৈরল্লিবা ষ্টেজগী পাক-চাউবা অসিগা ঐখোয়না উৎকদৌরিবা অসিগা চানবা খরদি ৱাৎলবনি। অদু ওইরগসু ঐখোয়দা চিংনবা থোইনা লৈতে মরমদি লৈরম-লৈরম্বা ষ্টেজগী মওং য়েংলগা, খ্বাইদগী পীকপদগীনা খ্বাইদগী চাউবা ষ্টেজ অমদা ডিভাইস তৌদুনা পর্ফোমেন্স উৎপগী টেক্নিক অদুমদি ঐখোয়দা লোইনা লৈজে। থিয়েটর অসিগী লৈরল্লিবা পাকপা-চাউবা অসিদি অরীবা মতমগী ওইবনা, ফুট ১৮ পাকপা শাংবা ষ্টেজ ওইরমখি । ষ্টেজগী লাইট শান্নফম, লাইটিং বুটসু ষ্টেজ অদুমক্কী মখাদা লৈহল্লি। অপ-ষ্টেজগী, ওই-ওইননা লাইটমেন্না মঙক লিৎখৎলগা লাইট শান্নবা য়ানবা মখোয়গা চানবা মওংদা শেম্বনি। মসিমদি মালেমগী অতৈ থিয়েটরগী মফমশিংদা থেংনরকখিদ্রি।

পর্ফোমেন্সকী মতাংদি মফম খুদিংদা মায় পাক্লা লাকখি। মখোয়না মতমগী টেক্নোলোজিদা মাঙজিন থারবসু, ন্যুক্লিয়ার ৱুইপন পুথোকপা ঙল্লবসু, রোকেৎ শারবসু, থাগী লৈমায়দা য়ৌরুবা ঙল্লগসু,থীয়েটরগী লানফমদদি ঐখোয়নসু মখোয়দগী অহেনবা লৈখি। মসিদি মখোয়সু য়াখি। মখোয় য়েংখি, উখি। থাগৎ ৱাহৈ, অঙকপা মশাদা ফাওবা কয়া ঐখোয়দা হায়রকখি। হেন্না কুপ্পা ৱাফমদি মতাং অসিদা পঞ্জররোই। য়ারসলোভকী খোঙচৎ অকক্লবা মতমদনি, অকক্লবা শো ঙাক্তনি। উহৌদবগী, য়েংহৌদবগী ৱাকৎ য়াম্না লাকখি। করিদি পান্বৈ লৈ ? মফম অমা অনী উৎলল্লগা ঐখোয় মথংগী সোভিয়েটকী লৈবাক রোস্টোভ, লেনিনগ্রেট, মিংস্ক চৎকদবা লৈবনা য়াম্না অকক্লনা অমদি চেকশিন্না লৈখি। লৈবাক অমা চৎপদা, ঐখোয়গী অহাঙবা মতমদা লমদুগী মরমদা উবা ফংলোইদবা কয়া য়েংহৌনবা থৌরাংসিমদি ঐখোয়গী তামোনা হেক-হেক শীনবিরকই। ৱাফম অসিমদি মথক্তসু পঞ্জখ্রে ।

য়ারসলোভ থাদোক্কদবা নোংমা-নীনি ৱাৎলিঙৈদো ঐখোয় ভোলগা তুরেল য়েংনবা টুরিষ্ট স্টিমর তোংদুনা চৎলি। পাক্লবা ভোলগা তুরেল মথক্তা পুং খরা চৎপদা, অইংবা নুংশিৎনা ইশাদা য়ৈরকপদা ফাওখিবা, খল্লকখিবা ৱাখল কয়াদো ঙসিসু মরক-মরক্ত নীংশিংলকই। য়ুম য়ৌরগা, তৌগে খনবা অমত্তসু পাংথোকপা ঙমখিদে। ঙসিসু ঙমদনা লৈরি। হায়স্কুল তম্লিঙৈ, জিওগ্রাফি তমলকপদা ভোলগা রিভরগী মতাংদা তেন্না খঙখি। থোইনসু খল্লুদে। ইজিপ্তা নাইল তুরেলনা লৈরম্বদগী মখোয়গী খুদোলনি হায়নখিবদুমক, য়ারসলোভকীসু ভোলগা তুরেল লৈরম্বসিনা মরল লৈবী হায়বদু ওইরল্লি। তুরেল অসিনা অপীকপা সহর অসি ইকোয়-কোয়শিল্লি। কুচ ফজনা ঙৌরবা কনাগুম্বী অমগী ঙক্তা, সনাগী লিক্লাং পরেং শিবগুম ইরং-লংনা, ইকোয়-কোয়না চেল্লি। ঈশিং-ঈচাউমতমদা ঈমায়না চাং ৱাংখৎলক্তুনা অপীকপা সহর মচা অসি অৱাবা ইপাক্তা তাহনদে। তুরেল অসিগী মথক্তা, মখল-মখা কয়াগী ঈশিংগী তোংনবা স্টিম্মরনা চৎথোক-চৎশিন তৌরি। ললোন-ইতিক তৌবদা অচৌবা মতেঙ ওইরি। লনলৈবী ইমৈইনু অহোঙবীসু ওইরি। কয়াদা মবুক তপ্লিবা। মখোয়গী মীয়াম্নসু, তুরেল অসিবু মখোয়গী অপোকপা মপা-মপূগুম লুনা তৌরি। মশক ফজহল্লি। লূনা-নান্না থন্বীরি। তুরেলবু ফজনা থন্বসি মালেমগী মফমশিংগী মনুংদা য়ারসলোভ অসিসু অমা ওইরমগনি। মখোয়গা য়েংনরুবদা, ঐখোয়গী ইম্ফাল তুরেল,নম্বুল তুরেল, ইরিল তুরেল, কোংবা তুরেল, নিংথি তুরেলদি, মচা ফৎতবা পোকপা মমা-মপানা, ৱানা মোৎনা, তুশোন্না, মীৱা তানা হিংবদুমক্লি। ঐখোয়গী তুরেলদি মখোয়গী অদুক চাউবসু নত্তে। মখোয়গা য়েংনরুবদা খোংবান অমগুমবনি। নীংথিনা শেন্বীবা, ঙাক-শেনবীবদা পূক্লীং হুনা ফজগদবা তুরেলশিংনি। নরাইবক থীদা ইরমদমগী তুরেলশিং । লমদমসিগী শক্লইরবা মিঁউজিকোলোজিস্ট লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমারনদি থৱায় য়াওনা,নুংশিনা শৈথাদুনা শকচখিবনি...

“হো ইরিল তুরেল, থেক্লা খোয়না, ইংনা-তপ্না, চীংজাও লান্না নঙনা তাম্না চৎপদি করি ৱাবু হায়নিংবা ...হো ইরিল তুরেল।”

অশৈবা কয়ানা নুংশিদুনা শৈথাজবদা মঙাইরে, মরেক-মহাওদি মাঙহনখ্রেদো। অমোৎপা মপৈ কয়াগী তুংনফম ওইরকপনা,ঈশিংসু মচু ওল্লে। পুথখ্রি অমোৎপা মপৈশিং, তিলহনখ্রি লোক্তাক মশাইকোন্দা, মসি মঙাইরে ঙসিগী মীরোলশিংনা শৈথাহৌগদবসি। মতম অমদি ফজরম্মী হায়নৈ, শোন্নৈ । লংথবাল কোনুংগী অকোয়বদা চেল্লমবা চন্দ্রনদিসু। হৌজিক্তী খোঙ্গুল মুৎখ্রে। মসিদনি অশৈবা লমাবম কমলনা মাগী মখুৎতা কলম পায়দুনা চন্দ্রনদিগীদমক অমুক তেংথাখিবা। মসিসু লোয়নমক্লা খঙনৈ। মতম অমগী, শেন্বীনবা য়েংশিনবীনবা লৈরিঙৈ, লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা মহৌশাগী ফিভমবু কায়দনা থমখিবা, ইরম-খোংলম শেংদুনা লূনা-নাননা থমখিবা, তূ-খোং তেংখিবগী ৱারী ঐখোয়না ঙসিফাওবা “তুতেংলোন” লাইরিক্তা থেংনরি । ঙসি, হৌজিক্কী ফিভমনা করি ? তুং কোইদবা, ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থবকশিংনা, নোংমা হায়বসিগী মতমবু কোন্নহল্লি। মতমগী মমলসি ঐখোয়দি কয়া খন্নদে।

য়ারসলোভ, অচৌবা টুরিষ্ট সেন্টর অমনি। মালেমগী থাক্তা মফম অসি হেরিটেজ সেন্টরনি। য়েংবদা পুক্লিং হুরবা থৌদোক কয়াদা য়ূমফম ওইবা মফম য়াম্না লৈরম্মী। য়েংলকখিবা অমদি থম্মোয়দা কাওঙমদনা লৈহৌরগদবা খরদং পঞ্জরবদা-Monument to Fighyers for Soviet Power, Yaroslavians Martial and Labour Feats in the Great Patriotic War (1941-1945), Museum শিংগী মনুংদা Cosmos Museum, Art Museum, Unique Yaroslavl Frescoes অসিনচিংবনি। লোয়নমক্কী শাংলবা ৱারী অমমম লৈরম্মী। মখোয়না লীবিরকপা ৱারীশিং লোয়নমক খঙহন্নিংই, মপাউ তমনিংঙি। অদুবু লীনিংঙি হায়দুনসু মতম লৈতে কমদৌনি ? অদুবু খঙজরকপা, মচং খরদি তেনশিন্না লীজরক্কে।

সোভিয়েট লৈবাক্তা চৎনবী অমা লৈরম্মী। কনাগুম্বা টুরিষ্ট অমা লাকপা তারবদি, অহানবদা মখোয়গী মরুওইবা টুরিষ্ট স্পোট ময়াম য়েংহনদ্রিঙৈদো ৱার সিমিত্রি, মোনুমেন্টস য়েংহন্নবা হান্না হোৎনৈ। লানফমদা মথ্বায় থাখ্রবা মীওইশিংগী মফমদা লৈ কৎহল্লি, ইকায়খুম্নবা উৎহল্লি। য়ারোসলোভকী Yaroslavians Martial and Labour Feats in the Great Patriotic War (1941-1945), পার্ক অসিদা ঐখোয় য়েংবা চংঙি। চাউখ্রবা লৈ-শুনা মরাঙ কায়না থারবা পার্ক, সিমিত্রি অসিদা নূংদা হক্তুনা শাবা মিলিটরি সিফাইগী স্কল্পচর অনীদা হৈ-লৈ কৎহল্লি। মীপুম খূদিংমক ৱা ঙাঙনদে। নুমিৎতু, লুহোংবদা ঙায়রিবা পিবা-নিংঙোল অনী অমসু মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি মরুপ-মপাংশিংগা লৈ কৎলম্মী। মখোয়না হান্না কৎলি। ঐখোয়না মখোয়বু ঙাইহাক ঙাইদুনা লৈখি। মরমদি মখোয়গী মী য়াম্মী অমদি থৌরম অমা ওইনা থৌরাং চাওনা তৌদুনা লৈদু কৎলি। মতম কুইনা ঙাইবদি নত্তে। পিবা-নিংঙোল অনী অদুনা হান্না লৈ কৎলবা মতুংদা মমা-মপাদা মখুৎ শোকই, খুরুমদুনা লৈ পী। থৌপুকুম্বা অমনা করিগুম্বা খরা শোল্লি। মথংদা মরুপ-মপাং ময়ামগা অমুক খুৎ শোক্লে। অদুদসু থৌপুকুম্বা অদুনা করিগুম্বা খরা শোল্লি। তিল্লম্বা ময়ামদু মফমদুদগী তপ্না-তপ্না থোক্লখি। মখোয়না চৎখ্রবা মতুংদা ঐখোয় অমুক লৈ কৎহৌখি। ঐখোয়গীদি থোইদোকপা থৌরম লৈতে। মফম অদুদা লৈ কৎলুবখক্তনি। ঐখোয়গী লৈ কৎত্রিঙৈদা জুলিয়ানা ঐঙোন্দা হায়রকই।

- মফমসিদা লৈরিবা লান্মী অনীগী, নূংদা হকপা মকোক অসি কনাগুম্বা অমত্তগী নত্তে। য়ারোসলোভকী মরৈবাক্কীদমক্তা লানফমদা মথ্বায় কৎখ্রবা, মমিং মথা, লৈফম খঙহৌদবা লান্মীশিংগী শক্তমনি। মখোয়দা কৎথোকপা, মখোয়গী থৌনাগীদমক নীংশিংদুনা শাবা শক্তমশিংনি। মখোয়বু নীংশিংদুনা লৈ কচ্চবা,খুরুম্বা হায়বসি মফমসিদা লাকপা মীশিং অমদি নৌনা লুহোংলিবা পিবা নিংঙোল অনীনা শোয়দনা তৌদবা য়াদে। মখোয়দা ইকায়খুম্নবা উৎতবা য়াদবগী চৎনবী মফমসিদা লৈ। ঙসি পিবা নিংঙোল অনীসিনা খুরুমলিবসিদা ৱারোল খর য়াওরি। মখোয়না, শকখঙদ্রবা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা নীজরি মদুদি- “ঙসিদগী ঐখোয় অনী ইতৈ-ইনাও (Husband and Wife) হায়বদু ওইরে, ঐখোয়না পোকলক্কদবা ইচা অদুসু নখোয়গুম্না লৈবাক্কীদমক কৎথোকপা,থৱায় থাবা ঙম্বা পীনবীয়ু।” মসিনা অহানবা লাইশোলনি। অনীশুবদা মখোয়না খুরুল্লিবসি মমা মপাবুনি। মসিদা শোল্লিবা লাইশোলনা- “ইমা-ইপা নখোয়না ঐখোয়বু পোকপীরকপদগী তাইবঙ পানবসি উবা ফংজবনি। নখোয়গী লমন কৈদৌনুংদা শিংবা ঙল্লরোই। মমা-মপা ওইবগী থৌদাং অদু নখোয়দগী ঙসি অমুক ঐখোয়না নিজরি।” অরোইবদা ওজাশিংদা খুরুমগনি। মদুদা শোনবা ৱারোলদি- “নখোয়না ঐখোয়বু ইহৈ-ইশিং হৈহনবিদুনা তাইবংদা লৌশিংগী মঙাল পীবিরকপনি, ওঝাশিংবু খুরুমজরি।”

মসি লোইরবা মতুংদদি, মরুপ-মপাং ময়ামবু হরাউ-তয়াম্না উন্নবনি। থৌপুকুম্বা অমনা শোল্লিবদু মসি ওইরমখি। লৈ মক্তা কৎলবসু মখোয়গী চৎনরিবা ফজখ্রবা লোনচৎ, লাইশোল, মমা লৈবাকপু নুংশিবগী ৱাখল্লোন য়াওনা কৎহল্লি। লানফমদা থৱায়না পোন্থা ওইখিবা শকখঙদ্রবা অথৌবশিংদা থল্লিবা নোল্লুকপা মতৌ অদু উবদা ঐ হায়ফম খঙখিদে। কোক্তগী খোং ফাওবা তু-চুংলকই। লমদুগী ৱারী শূকখঙ খঙদবা ঐসে, খঙনিংবা পোকলকই, হংনিংবা ফাওই। অসুক থাক ৱাংব্রা মখোয়সিবু ? অদুননি ঙসি মখোয়না, মালেমদা পৱার পায়বা লৈবাক ময়ামগী মরক্তা মকোক থোংবা ঙল্লিবসি। কদোমদগী লাকপা ৱাখলনো খঙদে, মখোয়গীদু উরুবদা ঐখোয়গী চহী তরেৎ খুন্তাকপগী ৱারী, হীরাচন্দ্রগী ৱারী, খোংজোম লানগী ৱারীশিং নীংশিংলকই। ঐখোয়গীসু অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা লৈদি কৎলি, ইকায় খুম্নৈ। অদুবু, মখোয়গীদু উরগা ঐখোয়গীসি ইয়া য়ানিংদবগুম্নসু তৌরকই। ঐখোয়গী থৌরমশিং চরাঙননা উরকই, তু-চুংবা ফাওদে। ঐখোয়দা থৌনা পীরক্তে, অদুঙৈগী শোক্লখিবা লান, অৱা-অনা অমত্তা মীৎতা উবা ঙমদবগুম তৌই। মরুওইখ্রবা ঐখোয়গী থৌরমশিং কুম্মৈ অমগুম উহল্লি। খোংজোম ডে, নুপী লাল, অৱা লাল,ইরাবত ডে, পেত্রিওইটস ডে চহী অমদা নীংশিং থৌরমশিং ফনা য়াম্মী ঐখোয়গী লমদমসিদা পাংথোক্লিবা। অদুবু, অৱা লান মীনা ওৎখিবগী, সাহেবনা হাৎপীখিবগী, নোংমৈ-সঙ্গীন্না থিনখিবগী, য়ূম কয়া কয়া মৈ থাখিবগী নুংঙাইতবা, কায়নবগী অৱাবা পোৎলুম অমত্তা ইশাদা ফাওনদে। থৌরমশিং, নোং হেক ঙানবগা লোইনা কাওথোকনখি। কনাগুম্বা অমত্তনা, মিতমশিং অসিগী মপা লান্না চৎপদা, নোল্লুকপা মতৌ অমত্তসু উদে। ঐখোয়না লৈবাক নীংলিবা মনিং অসিবু চুমলিব্রা ? মখোয়গীদু উরুরগা ইথন্তা হংজরকপা ৱাহংশিংনি।

ঐখোয়গী খোংজোম-ডে থৌরমদি নুপী-নুপা, পাখঙ-লৈশাবী খাক্তনা হিয়াংথাং লাই খুরুম্বা চৎনৈ। কার থমফম ফাওবা লৈতে। মীনা পীক থল্লী। মীশিংদুগী থম্মোয়দি মোমোন নোকপগুম উঁই ঐখোয়গী মীয়াম। নুমিৎতুগী মরমদা, পাওনাগী ৱারী অমা ফাওবা লম্বীদা শানবা তাদে। খোংজোম লান্দা কনা কনা য়াওখি ? মরৈবাক্কীদমক খোংজোম লান্দা থৱায় কৎখিবা-ইবোতেম্বী কৌবা, ইবোহল, চাউবা, তেম্বী কৌবা মৈজৈগী লান্মী য়াওরমগনি। মখোয়গীদি কনানসু নীংশিংবীদে। মফম অমা ফাওবা থন্বীদে। মসিবু চুমলিব্রা ? ঐগী অরানবা ৱাখল ওইবা তারিব্রা ? য়ারোসলোভতা পোকপা মখোয়গী লান্মী ওইরম্বা তারবদি মখোয়গী মফম চাওনা লৈরমগনিকো । ইথন্তগী ৱাহংসি য়ামখ্রে। তৌহননীংবগীনি, ওইহননীংবগীনি। লম চৎলুবদা থেংনরকপা, উরকপা খঙলকপা থৌদোকশিং পুম্নমক ৱারীদা তাখি।

য়ারোসলোভ থাদোকলমদাই য়াম্না চিনখি। পাউ অমসু ঐখোয়গী ট্রুপ লিডরনা পীরকই। মফমসিদা লাক্লগা কোস্মো ভেলি উদনা হল্লগদি কান্নদে। ৱারবসু ৱানা মসিমদি য়েংহন্নিংঙি। ৱাফমসি ঐখোয়গীদমক হায়বনি। ময়াম য়ান্নদুনা কোস্মো ভেল্লি য়েংবা অমুক চৎলি। মখোয়না খুঙ্গংনি হায়। ঐখোয় স্বাইদা হায়বা তারবদি, ইম্ফাল ডিস্ট্রিক অমগুম্বনি। কয়লাস থাদবা লম্বী লৈতে। কার, ট্রেক্টর লৈনদবা লৌমী লৈতে। ঐখোয়গী সহরগা মখোয়গী খুঙ্গংগা মান্নৈ হায়বদা তারে। অপীকপা লৈ মচা ময়াম্না লম্বীগী নাক-য়েত্তা মরাঙ কায়না,লৈখোং শেংনবা, শেন্নবীনবা কনা য়াওদনা মনিং তম্না শাৎহৌখি। শাৎলিবা লৈশিং অসি, ঐখোয় স্বাইদসু পাম্না অমদি তাংনা থানবা সিজন্নেল ফ্লৱারশিংনি, কোস্মো ভেলিদা শাৎপগীদমক মফমদুগী মিং লৌরগা থোনখিবা ওইরম্বা তাই ‘কোস্মো ফ্লৱার’ কৌই। খুঙ্গং অসিদা অপীকপা য়ূম অমা লৈ। য়ূম অসি অতৈ কনাগীসু নত্তে। ভ্লাদিমির ভেলের্ন্টিনা টারেসকোভাগী য়ূমনি। মালেমদা মহাক্কী মমিং তাদবা য়াওরমদ্রে। ঐখোয়দি খঙখিদে। করম্নসু খঙলুনি। অসুক চাউখ্রবা মালেমসিগী মশক নাইখিবা খূদিংমক খঙনবগী মফম লৈখিদে। মহাক্তা নত্তে মশক নাইখিবা কয়ানি লৈরিবসি। অদুবু,উরক্লব-খঙলক্লবা মতুংসিদদি, মাগী হৌরকপগী ৱারী, লাইরখ্রবা ইমুং অমগী নুপীমচা অমনা মহাক্কী হোৎনবা কনবগী থৌনা অদুনা মীথোই-মীহেনবা ঙমখিবগী ৱারীসিদি ঐখোয়গী মীয়ামদা খঙহন্নিংবা ফাওরকখি।

ভ্লাদিমির ভেলের্ন্টিনা টারেসকোভা শোক ১৯৩৭ কী মার্চ তাং ৬ তা য়ারোসলভ ওবলাস্ট হায়বা ৱশকী নোংচুপ থংবা মাইকৈন্দা লৈবা খুঙ্গং অমদা পোকখি। অপোকপা মপা লৌমীনি, ট্রেক্টর ড্রাইভরনি। মমাসু লৌমীনি, টেক্সটাইল ফেক্টরিদা পীনবা পান্বী থাবা, আলু থাদুনা য়োনবগী থবক তৌই। ভেলের্ন্টিনা মশাগী চহী অনীতা ঙায়রিঙৈদা অপোকপা মপা ঙন্না কায়নখি। মপাবুংদি মথৌনা ফবা, লানগী মশক নাইবা হেরো অমসু ওইখি। মপাবুংগী মথৌনা মরিংজেল অসি ভেলিন্টিনানা লৌহৌখি। য়াম্না পীক্লিঙৈদগী ভেলেন্টিনানা মমাগী মতেং পাংলকই। লৈতবা-লাইরবা, লানগী ইরাং লৈখিবা মতম ওইবনা লাইরিক থেঙনা তমলকই। মশাগী চহী ৮শুবদা স্কুল তম্বা হৌরকখি। মখা তানা স্কুল কাদুনা তমথবা ঙমলক্তবদগী কোরেসপোন্দেস কোর্সতা লাইরিক তমখি। নুপীমচা ওইজরবসু ভেলের্ন্টিনা কিগান্দবা, মশাদা নুপামচা অমগুম্না শান্নবা পাম্না হৌরকই। লোকেল এরোকলব (Parachute Training Centre)অমদা মিং চন্দুনা পেরাচুট পাইবা, তম্বা য়াওরকই। Amateur Parachutist অমা ওইনা হৌরকই। মশাগী চহী ২২শুরকপা, শোক ১৯৫৯দা অৱাংবা সুন্দ্রংদগী পেরাচুটতা ইহান হান্না চোংথরকখি। মসিনা মহাক্কী তুংগী কেরিয়ার শেমলক্লবগী লম্বী অমা ওইরকই। ভেলের্ন্টিনা মীয়ামগী মতেঙ পাংবা, লৈপাক্কী খনবা নুপীমচা অমা ওইনসু হৌরকই। নহা ওইরিঙৈদগী নুপীগী লুচিংবী, ইয়ুনিয়নশিংগী মেম্বর ওইরকই, থৌ পুবা হৌরকই। মহাক্লা পেরাচুটতা থৱায় য়াওনা, মতীক মথৌনা লৈনা তৌরকপা মতম অসি, সোভিয়েটকীসু মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অনৌবা চাংয়েং কয়া পায়খৎলকখিবা মতম ওইখি। য়ুরি গগরিননা শোক ১৯৬১ সুন্দ্রংদা চৎপগী রেকোর্দ থমখিবা মতম্নি। Chief Soviet Rocket Engineer ওইখিবা Sergey Korolyov না শোক ১৯৬২ ফেব্রুৱারী থাদা, সোভিয়েট নুপীশিংতগী ওইবা কোস্মোনট অমা শেম্বা পাম্বদগী, চহী ৩০গী মখা ওইগদবা, মশাগী অৱাংবনা ফুট ৫ ইঞ্চি ৭ তগী তাদবা, হকচাংগী অরুম্বনা কেজি ৭০ গী মখা ওইগদবা নুপী মঙা লৌনবগী চাংয়েং তৌখি হায় মসিগীদমক সোভিয়েটকী লৈশাবী চামরী হেনবনা য়াওনবগীদমক এপ্লিকেসন পীশিন্নরকখি। অদুক য়ামখ্রবা নুপী ময়াম অদুগী মনুংদা ফাইব ফাইনেল্লিষ্ট খনগৎপদা ভেলের্ন্টিনা টারেসকোভা কোস্মোনট অমা ওইনা ভস্তকভ্গ- ৬ রোকেটকী ট্রেনিং তৌনবা খনবদা য়াউরকখিবনি হায়। কোস্মোনট অমা ওইনা হেক খনবা মিকুপ্তগী মহাক্কী ট্রেন্নিংগী থবক মখল কয়াদা কন্না হৌরকই।

কোস্মোনট অমা ওইবগী চপ চাবা ট্রেনিং ফংলবা মতুংদা ১৯৬৩গী জুন ১৬ তা মালেমগী মনুংদা অহানবা সুন্দ্রংদা রোকেট তোংদুনা পুং ৪৮ কোয়বা ঙম্বী, ৱুইমেন কোস্মোনট হায়বদু ওইখি। মহাক্কী মিউজিয়ম মনুংদা অসুম্না ইরম্বা থেংনরকই-“Orbited the Earth 48 times and spent almost three days in space..” ভেলের্ন্টিনানা অহানবা নুপী কোস্মোনট ওইরকপদা মালেমগী মফম কয়ানা হরাউনা ওকখি। খ্বাইদগী ৱাংলবা মনা কয়া- Hero of the Soviet Union Medal, USSR পীদুনা মহাকপু ইকায় খুম্নখি। Soviet Airforce A¡ã General Major ফমথোল থিন্দোকখি। লাইরবী পু-পাং শুদনা হৌরকখিবী খুঙ্গংগী লৈরাং মহাকসে, সনাগী থম্বাল ওইনা ঙসিদি মোস্কো সিটিদা শাৎলি। ঐখোয়না মফমদু চৎলগা য়েংলুবদা, মহাক্লা লৈরম্বা য়ূমদু পব্লিক মিউজিয়ম ওইনা মীয়ামদা শিন্নরল্লগা মহাক্তী মোস্কোদা লৈখিরম্মে। উপাক্লা ফক্লাং খাবা, উপাক্লা মথক কুপ্পা, মমা মচাগী অপীকপা য়ূমদুগী মনুং চঙদুনা য়েংবা মতমদা, মতম অমা মহাক্লা শীজিন্নরম্বা ফামুং-ফানুং, লাইরবা ইমুং ওইবনা, নিংথমথাদা অথাবা ফি-রোল লৈতবদগী শুপ্পবা ফি মচেৎ ময়াম্না তাইশিল্লগা শেম্বা কান্থা, মহাক্লা লাইরিক তম্বা চৎপদা শেৎখিবা ফুরিৎ-ফিরোল, ইরুজবদা শীজিন্নখিবা উগী খুদেং ফাওবা মিউজিয়ম ওন্থোক্লবা য়ূমগী মনুংদা থম্বীরল্লি। মিউজিয়মগী পোৎলমশিং অদু উরুবদা নুংশিবা, থূক লাওবা, খল্লুবদা কপ্লিংবা ফাওহল্লি।

ভেলের্ন্টিনানা, মথৌ য়াম্না চিনখিবা মরম্না মাগী পোক্লফম খুঙ্গংদা তোয়না লাকপা ঙমখিদে। হেক শংবগা, ভেলের্ন্টিনা টারেসকোভানা মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গং অসিদা লাকখি। মহাক্কী মতম অমগী য়ূমদা চঙলক্তুনা য়েংশিল্লি। লাইরখ্রবী ফিরোল অনীশুনা শেৎপা ঙমখিদ্রবী, নিংথমগী থারবা উনলেন মরক্তা, ৱানা অহীং কয়া মমা মচানা ঈংবা খাঙলকখিগী ৱারী খুনগী মীশিংনা তমলকখি। আলু চারগা হিংলকখিবা পুন্সিনি। মহাক্লা লেল্লকখিবা পুন্সি মহীং অদুগা মহাক্লা মশক নাইবা ৱুইমন কোস্মোনট অমা ওইরবা মতুংদা হঙ্গৎনা চাংদম্নরুবদা থাক অনী অসি য়াম্না খেন্নখি। থাক অনী অসিবু তাইশিন্নহনখিবসি মহাক্কী হোৎনবা কনবা থৌনা অদুনা ওইহনখিবনি। মহাক্ল া লৈরম্বা য়ূমগা কা ফাওদোক-ফাওজিন য়ানবা শঙ অমসু থংননা লৈরি। য়ূম অসিগী মনুংদা ভেলের্ন্টিনা টারেসকোভানা স্পেসক্তগী হল্লকপদা তোংলকখিবা, মৈনা কাথেল্লবা মতূম তাবা স্পেস মোড্যুল্ড অমা মীয়াম য়েংনবা থল্লি । কয়াদা মরায়বক ফরিবনো কোস্মো খুঙ্গংসে। খুঙ্গংগী অপীকপা লৈরাং অমনা চাউখ্রবা সোভিয়েটকী লৈরাং ওইখিবা, লৈনমনা মালেম শীল্লকখিবদা কোস্মো খুঙ্গংসু মীয়াম্না ইকায়খুম্নবীরে । আলুগী পোৎথোক ফখিবা খুঙ্গংসে ঙসিদি আলুদা নত্তে, পোৎথোক খূদিংমক্কী লৈহাও চেনবা মফম ওইরি। অপীকপা কুম্মগী লৈ মচা মচা ময়াম্না, নাপী মরক্তা মনিং তম্না শাৎলি, লৈশিং অসিসু ভেলের্ন্টিনাগুম শীংথানবদা য়াওরে, কোস্মো ফ্লৱার হায়না মফম খূদিংদা থানরি। মতম অমা, মীনা শীংথানবীরমদ্রবা অপীকপা লৈ মচাশিং অদু ঙসিদি মকা ফম্না কোস্মো খুঙ্গংদা শাৎহৌরি।

*(-মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*